# গান–ঙাই



**– দি এল কবুই –**

কবুই ফূরুপনা নীংথম থাবু ''তিংশৈ'' হায়না কৌই। ঋতুদা হায়রগনা ''চকান'' হায়না খঙনৈ, কৌনৈ। হায়রিবা নীংথম থা হায়বদি ''চাকান'' গী মতমদা কবুইশিংনা পাঙথোকপা কুম্মৈ খরা লৈজৈ। মখোয় অদুদি, ''নপথন চাঙলুমৈ ঙাই'' হায়বদি ফৌনৌবু তরান্না ওকপা কুম্মৈ। অদুগা ''দোংজাও ঙাই'' হায়বদি কোৎতা ফৌ কারকপা য়েংবগী কুম্মৈনি। হায়রিবা কুম্মৈ অসিদা ফৌগৌদুনা কোৎতা কারকপা ফৌ অদু ''চাম্পৈ'' ফৌওইবী ইমা লাইরেম্বীদা খুরুমদুনা কোৎকী ফৌ শিন্নবা কুম্মৈনি। হায়রিবা কুম্মৈ অসি মৈতৈগীদা হায়রগা কৈ খুরুম্বগা হায়ফেৎ মান্নে। অদুবু মৈতৈগীদি মশা–মশাগী মরন্নাই ওইনা পাঙথোকপা থেংনৈ। কবুইগীদি খুলগী ওইনা পুন্না কুম্মৈ অসি চহী অমগী লৌরোক লোইরবা মতুং নীংথমথাদা পাঙথোকপা য়ান্না মরুওইবা কম্মৌনি। ''গান–ঙাই'' অসিশু নীংথম থাদা পাঙথোকপা কবুই ফূরুপগী য়ান্না মরুওইবা কুম্মৈ অমনি।

কবুই ফূরুপনা পাঙথোক্লিবা হরাও কুম্মৈশিং অসি মীওইবগী পুন্সিদা য়ান্না মরুওইবা কুম্মৈ ঙাক্তনি। হায়রিবা কুম্মৈশিং অসিবু মচা খায়না য়ান্না কুপ্লা য়েংবা অমা চংই। মদু নৎত্রবদি কবুই ফূরুপ অসি হৌরকফম খঙদবা ওইনা উখিবসু য়াই। মরম অদুনা কবুইনা কুম্মৈশিং অসি পাঙথোকপদা য়ান্না চেকশিনগদবা অমদি ওইরি।

কবুই ফূরুপগী ''গান–ঙাই'' বু লৌরোকপা লোইবগী কুম্মৈনি হায়বা অসিদি খঙদবা মীনা হায়বনি, মসিদা থোইনা ঙক্লিঙাই ওইদে। গান–ঙাই লৌরোকপা লোইবগী কুম্মৈ নত্তে। মসিদা থোইনা য়েৎননিঙাই ওইদে।

**গান–ঙাইগী হৌরকফম :–** ''গান–ঙাই'' হায়রিবা কুম্মৈ অসি কবুই ফূরুপনা পাঙথোকই, কবুই ফূরুপগীনি হায়বা অসিমদি ময়েক য়ান্না শেংলে। হায়রিবা কুম্মৈ অসি, জেমৈ, লিয়াংমৈ, রোংমৈ, ইনপুই অমসুং খৃষ্টিয়ন্নচিংবা কয়ানসু হৌজিক্তি পাংথোক্লরে হায়বদি কাইদে খল্লি। মসিদা কবুইনা লান্না লৌফম থোক্তে। থোইনা হেন্না পুক্লিং যৌগৎফম থোকই। অদুবু ওর্গনাইজেসন অমনা পাঙথোকপদি অচুম্বা ওইরোই। অদুন্নদি ওইরগা য়ান্না লুরিবা ৱাফমদি, গান–ঙাইগী চৎনরোল, থৌরম, চৎন–কাঙলোন অদু চুম্না পাঙথোক্লিবরা হায়বগী ৱাফম অদুনি।

করিগুম্বা, গান–ঙাই কুম্মৈ অসি লান্না পাঙথোক্লগা, মাঙজরিবসি কনাগীনো? কবুই ফূরুপগীরা? গান–ঙাই পাঙথোক্লিবা ফূরুপশিং অদুগীরা? নৎত্রগা লৈবাক হায়বদি মণিপুর ষ্টেট অসিগীরা হায়বগী ৱাফম অমা থোরকই। মরম অদুনা গান–ঙাইগী ৱাহন্থোক অসি য়ান্না ময়েক শেংনা খঙবা অমা চঙই। মদু নৎত্রবদি গান–ঙাই অসিদা পংতৌ তৌশিনবা য়াবগী ফিভমদা লাকপা য়াই। মদুনা কবুই ফূরুপদা য়ান্না চাউনা মাঙজবা খক্তা নত্তনা লৈবাক্কী ওইনা য়ান্না চাউনা মাঙজবা লাক্কনি। কবুইগী নাৎ কলচর অমা মাঙবা অসি মণিপুর ষ্টেটকী য়ান্না চাউনা মাঙজবনি। গান–ঙাই অসি চৎন–কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্ত্রবদি, গান–ঙাইগী থবক থৌরমশিং অসি কাউখিবসু য়াই। গান–ঙাই কুম্মৈগী মরমদা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফূরুপ পুন্নমক্না খঙদ্রবসু লৈবাক্কী ফম্নাইবশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্নদি খঙফম থোকই। মরমদি, মণিপুর লৈঙাক্না গান–ঙাই অসি ষ্টেট হোলিদে পীদুনা ইকায়খুম্নরি।

**কবুইগী ৱারী :–** কবুইগী ৱারীদা মৈহৌরোলদগী মৈ অসি তাইবঙ মীনা শীজিন্নদুনা লাকচরবসু মৈথাং লৌদুনা শীজিন্নরম্মী। মৈ পুথোকপা হৈরমদে। মৈ অসি লাইগী পোৎনি লাইমকনি হায়না লৌই। মৈ মুৎথ্রবদি ইমুং অমদগী নিদুনা লৌরুরগা শীজিন্নবসি চৎনরম্মী। মৈ অসি মীওইবনা হিংবদা চংদবা য়াদবা য়ান্না মরুওইবা পোৎ অমা ওইবনা কনাগুম্বা অমনা মৈ পীয়ু হায়না নিররবদি মৈ লৈনা লৈনা পীদবা তৌহেদে হায়নবা লৈ। কবুইগী অঙাংশিংনা শান্নবদা মৈ নিবগী ৱাঙাঙ ৱাতা শীজিন্নদুনা শান্নবা মশান্না অমা লৈ। মসিসু অচৌবা খুদম অমনি।

কবুইনা থাজে, মীগা লাইগা পুন্না লৈমিন্নরম্বদগী মীগা লাইগা খাইদোক্নরে। অদুবু মালেম অসিদা লৈবা জীব পূন্নমক্তি লৈমিন্নরি, লোনসু অমত্তদা খঙনরি। অদুবু লাগঙ লাইনিংথৌনা জীবশিং অসি মাগী মাগী কাঙলুপ–কাঙলুপ তোখাই–তোখাইনা লৈহনবা পাম্মী। মরম অদুনা ''লাগঙ'' লাইনিংথৌনা লাংওনলক্তুনা তাইবঙ মীবু লমজিং লমতাকপীরম্লবা মতুং মৈ অসি কনানা শীজিন্নগদগে হায়না মত লৌখি। মদুদা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙম্বনা মৈ শীজিন্নজরসনু হায়না য়ানরে। মরম অদুনা জীব পূন্নমক নমিৎ লোইনা খুমজিল্লো হায়না খুমজিনহল্লে। অদুগা মৈ লোইনা লোৎশিনখ্রে। জীব অতৈনা মৈ পুথোক্নবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকখিদ্রে। মীগা কৈগদা ঙাইরে। কৈনা মৈবা হান্না চিংই মৈখু ফাওবদি থোকই অদুবু মৈদি পুথোকপা ঙমদনা তোকখ্রে। মথংদা মীওইবনা মৈবা চিংদুনা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙমখি। মীওইবনা মৈবা চিংবদুদা মৈ হৌদ্রবদি, কৈনা অমুক মৈবা চিংখিবা তাবনি। মসিগী ৱারী য়ান্না শাংনা লৈখ্রে। মীওইবনা অনৌবা মৈ পুথোকপা ঙম্বা অদুদা ঙমখে লৈতনা হরাওখি। মীওইবনা মৈ পুথোকপা ঙম্লমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না মৈদগী অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংলিবসি ফংলম্লোইদবনি। অদুনা মৈ শিজিন্নবা ফংবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা হরাওবা কুম্মৈ অদুবু গান–ঙাই হায়না কৌই। গান হায়বদি অঙানবা হায়বনি, ঙাই হায়বদি কুম্মৈ হায়বনি। নুংগী ৱাহন্থোক্তা গান অসি জ্ঞান, মঙান হায়নসু খঙনৈ। ''লাগঙ'' না মীওইবদা মৈ শীজিন্নরো হায়না শিন্নবা নুমিৎকী থৌরমদু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা কুম্মৈ অদুবু গান–ঙাই কৌই।

**লাইনিংথৌগী খুদোল :–** ''লাগঙ'' লাই পুন্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ (ঈশ্বর) না তাইবঙ মীওইবগী হিংবদা চংদবা য়াদবা য়ান্না মরুওইবা পোৎলম ৩ (অহুম) খক পীরম্মী। মখোয় অদুদি (১) মৈ, (২) ঈশিং, (৩) নুংশিৎ অসিনি। অহানবগী মৈ অসিদি য়াওদ্রবসু মীওইবনা হিংবখক্কী ওইনদি ঙম্মী। চাবসু হৈ–রা, উহৈনচিংবা চাদুনা হিংবা য়ায়। অদুন্নদি ওইরগা মীওইবগী য়ান্না মথৌ তাবা জ্ঞানগী মঙান পীরিবা পোৎতি মৈ অসিনি। মৈ অসি লাইগী পোৎ ওইজরবসু মীওইবনা পুথোকপা ঙমহল্লি, মুৎথৎপসু ঙমহল্লি। মখল মথেল কয়া কয়াগী পোৎথোক পুথোক্তুনা শেম শাবদা মৈ য়াওদবা য়াদে। তাইবঙ মীওইবনা মৈবা চিংদুনা মৈ পুথোকপা ঙমখিবা মতমদা অসুক্কী মতিক মীওইবনা হরাওখি। মসি লাইনিংথৌগী য়ান্না চাউবা খুদোলনি। কাউফম থোক্তে।

মৈ অসি চান–থক্নবা, চাক ইঙ্গুং থোংনবখক্তা নত্তে। মীওইবগী জ্ঞাননা পুথোক্লিবা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি পুন্নমক অসি মৈগী মপান তাংবা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। ইলেক্ট্রোনিক্স এনর্জিশিং অসি মৈ ঙাক্তনি। খুদম ওইনা রেদিও, টেলিভিজন, কম্প্যুটর, মোবাইল ফোন, হৱাগাড়ি, এরোপ্লেন, রোকেট, মিসাইল, নোংমৈ, বোম, এটোম বোম অসিনচিংবা মীওইবনা পুথোক্তুনা শীজিন্নরিবশিং অসি মৈগী মপান তাংবা ঙাক্তনি।

অদুবু, অকোনবগী অনী হায়বদি ঈশিং, নুংশিৎ অসিদি মীওইবনা শেম্বা ঙমদে, পুথোকপা ঙমদে। মখোয় অনিসি য়াওদ্রবদি মীওইবনা হিংবা ঙমদে। অদুনা ''লাগঙ'' লাইনিংথৌনা মতম মতমগী মতুংইন্না মালেম পৃথিবীদা লৈরিবা জীব পুন্নমক হিংননবা, উ–ৱা, মহৈ–মরোং পুন্নমক হৌনবা ঈশিং, নুংশিৎ অসি পীরি। পুন্নমক অসি মপু মাগী থৌজালনি হায়না কবুইনা থাজে।

**গান–ঙাইগী নুমিৎ :–** গান–ঙাই অসি অহানবদদি নোংমখক্তা হরাওরম্বনি অদুবু মতম খরগী তুংদা নীনি চনবা নুমিত্তা পাখংফান্দা পাখংশিং, লৈশা ফান্দা লৈশাবীশিং মাগী মাগী ময়ুমগী 'তমচা' হায়বদি শিংজু অমসুং য়ু পুরক্তুনা ময়াম চামিন–থকমিন্নদুনা হরাওবা হৌখি। কবুই লোন দা তম হায়বদি শিংজু হায়বনি চা হায়বদি পাত্রবু খঙনৈ, পুন্না তমচা হায়রগা খঙনৈ। মতম খরগী তুংদা পাখং লৈশাবীশিংনা ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শাদুনা হরাওবা পাম্লকখি। অদুনা পাখাং লৈশাবী মকোকশিংনা পৈকাই (থৌবৈ) হায়বদি খুনগী ওথোরিটি, ৱায়েল বীচারগী য়ুম (কোর্ট) তা ঐখোয় পাখং লৈশাবীনা খুল অসিদা ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শাদুনা চৎচগে অয়াবা পীনবীয়ু হায়না হায়জরুবা মতমদা খুলগী অহল–লমন্না য়াদে। খুন্দা ঈশৈ শক্তুনা, জগোয় শাদুনা চৎকে হায়রবদি লাগঙ তন তবম হায়বদি লাইনিংথৌগী অশেংবা য়োৎ, চীংগী পামলৌ য়ানবদা শীজিন্নবা য়োৎ মচা মখল অমনি। মসি কবুই ফূরুপগী ধর্ম্মগী য়ান্না মরুওইনা শীজিন্নবা য়োৎ মখল অমনি। য়োৎ অসিগী মমিং অসি কবুই ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমদা শীজিন্নফমগী মতুংইন্না মমিং অমত্তা মান্নদে, য়ান্না য়াম্মী। তবম হায়রিবা মমিং অসি গান–ঙাই নুমিৎ অসিদা শীজিন্নগনি, কৌনগনি, খঙনগনি। অতৈ অতোপ্পা মফম মতমদা তবম হায়রিবা মিং অসি শীজিন্নদে। মসিগী নুংগী ৱাহন্থোক য়ান্না চাউনা লৈ। মদু পীদ্রবদি নখোয়না খুল অসিদা ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শাদুনা চৎপা য়ারোই, হরাওবা নুমিৎ শাংদোকপসু য়ারোই। অসি হায়বগী মরমদি গান–ঙাই কুম্মৈগী মনুংদা লাগঙ লাইনিংথৌ য়াওবনা মরম ওইদুনা ইরায় লায়না কুম্মৈ মতম শাংদোকপা য়াদে, থৌরম হোংদোকপা য়াদে তাকপনি। অহলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না পাখং লৈশাবীশিংনা তবম, শিংজু অমসুং য়ু পুদুনা ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শাদুনা (১) পৈকাই (থৌবৈ), ৱায়েন বীচারগী য়ুম, (২) বানজা কাইবং, হনুবগী ফাল (৩) কিয়ংজাপুই কাইবং, হনুবীগী ফাল (৪) গানচং কাইবং, হনুবগী মথংদা লৈবশিংগী ফাল অমসুং (৫) গানপী কাইবং, পাখং মকোক্কী ফাল হায়রিবা ফালশিং অসিদা তবম অমমম, শিংজু অমসুং য়ু পীদুনা খুনগী অয়াবা লৌবা চৎলি। মসিবু তম–চনমৈ হায়না কৌই। মদুগী তুংদা তবম পুথোকখিবা পাখং লৈশাবীশিং অমদি মখোয় মখোয়না খনগৎলবা লৈশাবী অমসুং পাখংশিংগী য়ুমদা ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শাদুনা চৎলি। মদুবুনা তমথোনমৈ হায়না কৌই। অনী অসিগী ঈশৈ তোঙান–তোঙানলি। মতৌ অসুন্না হরাওবা হৌখি। মতম অদুদা তৌখিবা অদুমক ঙসি ফাওবা কবুইশিংনা কায়দনা চৎনরক্লি। হৌজিক্তি তবমগী মহুত্তা শেলনা শিনবা খুল খরসু য়াওনরে। অসুন্না অহনশিংগী পাওতাক মতুংইন্না ''লাগঙ'' গী অয়াবা লৌদুনা মতম শাংদোক্তুনা নুমিৎ মঙানি মপুং ওইনা হরাওই।

**খঙজিনগদবা :–** অদুবু খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফম অমদি গান–ঙাইগী ওইবা থৌরমশিং অদুগী মথক্তা অনৌ–অনৌবা মীরোলশিংনা হাপচিল্লকপা মখল মথেলগী কুম্মৈ থৌরম্নচিংবা ময়াম্বু শুপচিল্লগা ৱাখলনা শারগা গান–ঙাইগী ৱাহন্থোক পীবা, ইবা, লিলা, সিনেমানচিংবদা হাপচিনবা তারবদি মরী লৈনদবতা নত্তনা অকায়বা কয়া লাক্কনি। মসিদি কবুই ফূরুপগী য়ান্না চাউনা মাঙন–তাক্নবা থবক্লি। মসিনা ফম্নবা তৌবদা নাকল অমদা য়ান্না চাউনা মাঙবা ফত্তবা ওইরকপা য়াই। মরম অসিনা ফূরুপ অমদি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ৱারেংনচিংবা ইবা অমদি পুথোকপা তারবদি হিরম অদুদা মমুৎ তানা খঙনা অমদি য়ান্না চেকশিন্না নৈনরগা ইবা অমদি ফোঙবনা চুম্মগনি। ●

# ৱাকচীং থানা লাকপদা নীংশিংলক্লে 'গান-ঙাই' কুম্মৈ

**– লনবোন কবুই –**

গান-ঙাই কুম্মৈ অসি কবুইশিংগী খ্বাইদগী চাউবা চহী অমগী মনুংদা অমুক্লক পাঙথোকপা কুম্মৈ অমনি। ইরমদম (মণিপুর) গী লৈহাওদগী পোক্লকখিবা লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ মীহৌরোলদগী লৈরক্লবা কুম্মৈনি। লৈহৌমী কাঙলূপশিংগী মরক্তা কবুই ফূরুপ অসিসু অমনি। ইরমদম (মণিপুর) দা তোঙান তোঙানবা ফূরুপ ৩৩ রোম খুন্দামিন্নদুনা লৈরিবসিগী মনুংদা ইপা-ইপুশিংগী শক্তম, নাৎ, লাইনীংবু থাদোকপা ঙমদনা লাই হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা মথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা কবুই ফূরুপ্না য়ূমথোঙ খুদিং, খুল খুদিংমক গান-ঙাই কুম্মৈ পাঙথোক্লি।

ইরমদম মণিপুরদতা নত্তনা অসাম, নাগালেন্দনচিংবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু গান-ঙাই কুম্মৈ পাঙথোক্লি। গান-ঙাই কুম্মৈ অসি কবুই ফূরুপখক্তং নত্তনা কবুই ফূরুপকী ঈগী মরী ওইরিবা জেমৈ, লিয়াংমৈ, পুইমৈনচিংবসু গান-ঙাই কুম্মৈ অসি পাঙথোকই। মতমগী য়াওলনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী শক্তম লৌদুনা চোইনা চোইনা হুমদোকখ্রবসু নোংমদি শোয়দনা পুল্লকখিগনি হায়না গান-ঙাই কুম্মৈ পাঙথোক্লিবা কবুইশিংনা থাজরি। মপান লমগী শাফুনা ঐখোয়গী শক্তম, ঐখোয়গী লাইনীং, ঐখোয়গী নাৎপু মাঙহন্ননবা কয়ামুক হোৎনরবসু গান-ঙাই কুম্মৈদি মুৎহনবা ঙম্লরোই।

তম্মীনা হিন্দু ধর্ম্মদা মীৎ থক্লুবগী দশা ঙসিসু কোকপা ঙমদনা লৈরি। তম্মীনা তূম্লুবদগী মীকপ থোরকপগী ইঙাও ঙাওনা লৈরি। অদুবু তম্মীদি মীকপ থোকখ্রে। ইঙাও ঙাওনা লৈবগীনি অনী থোকপী শান্নরিবা। নোংমদি শোইদনা ৱাখল লৌশিং লাক্লবদা তম্মীদি অমখক্তং ওইখ্রগনি। মতম অদু কুইররোই। অদুবু নাকল অমরোমদা, ইরমদমসিদা খুন্দা লৈতামিন্নদুনা মীহৌরোলদগী নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লবা ত্রাইবেল চীংমী ইচিন-ইনাওশিংসু খৃষ্টিয়ন রিলিজনদা মীৎ থক্লুবদগী মীরমগী (মপান) গী লাইনীং-লীচৎতা চহী ১০০ (চাম্মা) হেন্না তূমথখ্রে। মখোয়সু তম্মীনা হিন্দু ধর্ম্মদা চহী ২৫০ (চনী য়াঙ্খৈ) রোম তূমখিবগুম, হৌজিক ফাওবদা মীকপ থোক্ত্রিবা খরা য়াওরিবগুম্না চীংমী ইচিন-ইনাওশিংসু নুংঙাইনা তূমখিগনি। হৌজিক মখোয়দা থাঙ, তেন, নোংমৈনা চঙলোই। ফম্না ঙাঙলবসু, থীনা ঙাঙলবসু মখোয়গী মনাকোংদা চঙলোই। মদু করিগুম্বা পোলিসি খরনা লশিং থারগা মেনখিবননি। মদু ঐখোয়না খঙই। মদুদি ''খোঙচৎ খুদিংমক পম্থুং/পনখৈ লৈগনি। পম্থুং অদু য়ৌরবা কান্দা শোয়দনা হল্লক্কনি, থিরখিনি অশেংবা ইমাদো''।

অসুন্না ইরমদমসিগী ইরৈবাক্কী লৈহাওদা হৌমিন্নদুনা ইমাগী তম্পাক্তা নুংশি-চান্ননা চেন-চোংদুনা শান্নমিন্নরম্বা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা 'নুংশি' ময়েং তারকপগুম, 'নুংশি' মমি শাম্লকপগুম, 'নুংশি' কিশি কোম্লকপগুম ধর্ম্ম লাইনীং-লীচৎনা লৈবাক কায়নবগী অচৌবা শীংচেপ অমনি হায়বদা হায়মনবদি ওইররোই। অদুনা ঐখোয়গী ওইগদবা লনবু মশক খঙনা ঐখোয় পূন্না খূৎশম্নদুনা য়োকখৎমিন্নবা তঙাইফদব্রা হায়না খল্লি। ইরমদমসিদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক্না মপান লমগী কুম্মৈদা ঙাওরে হায়বা য়াই। মসি ৱাখল খরা খন্থমিন্নরগা কোক চুংশিন্নদুনা ইরমদমগী ওইবা অশেংবা কুম্মৈশিংবু য়োকখৎমিন্নবগী মতম অদু ওইরে।

গান-ঙাই কুম্মৈগী ৱাহন্থোক তোঙান-তোঙানবা থিজিনবা কাঙবুনা তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোন, ৱাহন্থোক পীরবসু খ্বাইদগী ফবা, অচুম্বা-অশেংবা ৱাহন্থোক্তি হায়বা ফৈ। 'গান-মৈ' হায়বসি কবুই লোলদা 'অঙানবা' হায়বনি। 'ঙাইমৈ' হায়বদি 'কুম্মৈ/হরাওবা' হায়বনি। গানমৈ+ ঙাইমৈ হায়বা ৱাহৈ অনীসিদগী মৈ-মৈ লৌথোক্লগা 'গান-ঙাই' হায়না কৌনরকখিবনি। অসুন্না গান-ঙাইবু মীতৈলোলদা - অঙানবা কুম্মৈ নৎত্রগা মঙালগী কুম্মৈ হায়না ৱাহন্থোক পীবা য়াই। গান-ঙাইগী ৱাহন্থোক কদায়দগী করম্না ওইরকখিবনো হায়রগদি - গান-ঙাইগী অহৌবা নুমিত্তা খুলগী পাখংশিংনা পাখংফানদগী হৌরগা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা মৈবা চিংদুনা মৈশেং পুথোক্লিবা অদুনা ৱাহন্থোক পীরবনি।

গান-ঙাই কুম্মৈ অসি নুমিৎ ৬নি পাঙথোকই। মসি ৱাকচীংগী ১৩নি পানবা থাবান্দগী পাঙথোকপা হৌই। মথক্তা পঞ্জিখ্রিবা গান-ঙাইগী ৱাহন্থোক মীয়াম্না খঙবীরম্লগনি। মদুদি গান-ঙাই (মঙালগী কুম্মৈ) নি। অদুনা কবুই অহল-লমনশিংনা অহিং ওইরবা অমম্বদু ওইহন্নীংদদুনা থানা মপূং ফারক্লবা অহিংদফাওবা ঙালহন্নীংদুনা থাবল ফরবা মতম অসিদা গান-ঙাই কুম্মৈগী নুমিৎ লেপ্লম্লিবা অসিনসু তাক্লি।

গান-ঙাই কুম্মৈ নুমিৎ তরুক্লিগী থৌরম পরেংশিংগী মমিং মখাদা পীজরি ;-

১) ৱাকচীং ১৩নি পানবা থাবান নুমিৎতা - ঙাইগংমৈ।

২) ৱাকচীং ১৪নি পানবা থাবান নুমিৎতা - ঙাইদাইমৈ/তমচন

৩) ৱাকচীং ১৫নি পানবা থাবান নুমিৎতা - তুনা গান ঙাই

৪) ৱাকচীং ১৬নি পানবা থাবান নুমিৎতা - কাইরপমৈ ঙাই

৫) ৱাকচীং ১৭নি পানবা থাবান নুমিৎতা - নপচনমৈ

৬) ৱাকচীং ১৮নি পানবা থাবান নুমিৎতা - রাংপৎমৈ

গান-ঙাইগী অরোইবা নুমিৎ রাংপৎমৈগী থৌরম লোইরগা দানশানপুং (থেনবুং) দা মৈবা চিংদুনা মৈশেং লৌরগা য়ূমথোঙ খুদিংগী মৈশেং অদু য়েল্লি। মৈ অসিনা অমুক লাক্কদবা গান-ঙাই কুম্মৈ ফাওবা ঙান্দুনা লৈবা ওইসনু। নুংঙাই-য়াইফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা, মৈগী মঙালনা অমম্বা ৱাখলবু কোকহন্দুনা, ৱাখল-লৌশিং থোক্তুনা মতিঙ লৈবা ইরৈবাক-ইরমদম ওইহনবীনবা হায়পৌ রাগ্বং শেম্বীবা মপুবু থৌনিজবা কুম্মৈনি।

অরোইবদা, হৌজিক ফাওবগীদি গান-ঙাই কুম্মৈ অসি খুল অমগা খুল অমগা মপুমদা মান্নরবসু মচেৎ-মচেৎ খেন্নবা মান্নদবা হায়বসি কবুই ফূরুপকী লাইবক থীবনি। মসি ইনাৎপু নুংশিবা অমদি ইশাগী লাইনীং-লীচৎপু য়োকখৎনীংবা ইরমদমগী মীয়াম পূনশিনবগী মতম ওইরে। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২১

**– হৈস্নাম শ্যাম মঙাং –**

অসুন্না 'পু আহুন চান্নাইপা' অদুনা মরম ওইদুনা মী মশা মশা অদুনা নৎত্রগা লৈপাক লৈপাক অদুদা মকোক মরূ পানবা (মাইকোক মাইলুম পানবা) হায়বদু থোক্কদবনি। থংওইনুংগী (থম্মোয়নুংগী) ঈনা কাংলক্লিবা অদুগা মাইওক্লনা (মাই) কোকনুংগী কাংচিন্দা (কাচিন্দা) লৈরিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোল ওইবশিং অদুনা (কোক) তাইপক শা হনচাং (তাইবঙ শা হকচাং) অদুগা মাইওক্লনা (মাই) থৌদরক্তুনা লুমথরক্লিবা অদুবু (লুম) হায়রিবা শা হকচাং অদুনা পান্নদুনা (পান) লৈরকপা (পা) অদুবুনি 'মাইকোক মাইলুম পানপা' (মকোক মরূ পানবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

মী হায়বা অদুগী থংওইনুংগী (থম্মোয়নুংগী) ঈ অদুদি শেংদুনতা লৈজবনি, ঈনা কাংলিবা অদুসু শেংনা অদুম্মক কাংজবনি। অদুবু, মী মহাক্কী কোকনুংদা খল্লক্লিবা/তারক্লিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুনা চুম্লক্তবনা মরম ওইদুনা, থংওই (থম্মোয়) মহাক মোৎলকপনি অমদি শেংলক্তবনি। কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) অদুদি নুমিৎকী মঙাল তাফমনি, থংওই মাদি থা ওইনবনি হায়বদি মঙাল মহাক্কী থম্মোয় ওইনবনি। কোকনুং মাগী কাংচিনসি (কাচিনসি) নুপা ওইবগী য়াৱা খোনচেননি, থংওই (থম্মোয়) মানা হায়রিবা খোনচেন অদুগী তাফম্নি হায়বদি খোনতাফম ওইনবনি। কোকনুংদা লরক্লিবা/তারক্লিবা ৱাশিং অদুবু খনদোক-খনজিন তৌরিবা অদুবু ৱাখল কৌনবনি, ৱাখল অদুগী মাইলোন (মরোন) অদুবুনি ৱাখনলোন হায়নরিবসি। অচুম্বা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুনা শেংদুনতা লৈজরকপা থংওই (থম্মোয়) মাগী ঈনা কাংলক্লিবা অদুগা থান্নরকপা অদুগা অমুক তাইপক শা হনচাং (তাইবঙ শা হকচাং) মহাক্কা চান্ননা লৈরকপা নৎত্রগা পান্ননা লৈরকপা অদুগা হায়বদি 'পু আহুন চান্নাইপুং' (পু অহুম চান্নবা) অমদি মকোক মরূ পানবা (মাইকোক মাইলুম পানপা) হায়রিবা অদুগা মথক্তা পঞ্জখিবা ঈনিংথৌ, মহাক্কী শাগোন্নবশিং অমদি লৈপাক মীয়াম - হায়রিবা অহুম অসিনা চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরকপা অদুগা থান্নরকপা/চাংদম্নরকপা অদুনা মরম ওইদুনা ঈনিংথৌ-খাংখিনপা (খাগেমবা) মহাক্কী লৈঙাক মতম অদু ফাওবদা লৈরমখিবা ঈলৈপাক অসিগী ঈলৈচাশিং অদু ঈনিংথৌ অমমমগী শাচৎ (শাজৎ) চৎলকপগা লোয়ননা ঈলৈপাক অসিবুসু নুংশিজবা অমদি ঈলৈপাক অসিগীদমক মশাগী ওইজবা কয়া থাদোকপা ঙম্নরকখিবা অদুদি মহৌশা ওইদুনা লাকখিবনি হায়জনীংই।

ঈনিংথৌ হায়বদুদি ওইবা ঙমদনা নিংথৌখক ওইবা লৈঙাক্লোই মানবা অমদি লৈঙাক্লোই শাবশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী থংওই (থম্মোয়) য়াৱা হায়বদি থংওইগা (থম্মোয়গা) য়ানবা ৱা অদুগা থানবা তৌদনা নিংলকপা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন (মিংখৈলোন) ওইবশিংবু মহাক্কী অঙম অথৌশিং, য়াইতোং-খমতোংবশিং অমদি ফম্নাই-তুনাইবশিং হায়রিবশিং অসিদা থৌদারকপা অদুনা মরম ওইদুনা, হায়রিবা মখোয়শিং অদু নিংথৌগী লমচৎ চৎলকই। লোয়ননা মখোয়গী য়াকা মতুংইনবা শাজৎশিং অদুবু লৈবাক মীয়ামনা চৎপা হৌরকই। ঙসিগী মীরোল অসিদনা অদুগুম্বা লৈঙাক্লোই মানবা অমদি লৈঙাক্লোই শাবা লৈবাক অমমমগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি লৈবাক অমমমবু লুচিংলিবনি হায়রিবশিং-হায়রিবা ময়ামশিং অদুগী ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং, মখোয়গী মখা তাবা মতমসিগী ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং অদুগী লমচৎশিং অমদি মখোয়শিং অসিগী য়াকা মতুং ইনবা লৈবাক মীয়াম্না চৎলক্লিবা শাজৎশিং- হায়রিবশিং অসিনা মরম ওইদুনা মাইলেং (মালেম) অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অয়াম্বা লৈবাক লৈবাকশিং অদুদা মী হাৎলুরগে, হুরানহৌরগে, মচিন থিরুরগে, ওইদ-পাদবা ঙাঙলুরগে অসিনচিংবা মীওইবা খুন্নাইগীদি য়েক্লবা তৌইগুম্বসুং শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাং, মহিক-মতাই অসিনচিংবগদি মরূপ-মপাং ওইমিন্নবা য়াবা অদুগুম্বা লমচৎ-শাজৎশিং চৎপা মীশিং লেপ্পা লৈতনা থোক্লক্লি। অমরোমদা হায়বা তারগনা 'শা মরক, ঙা মরক' (শা-মাইলাক, ঙাক মাইলাক) ওইবা মীশিংনা মীওইবা খুন্নাই মনুংদা ফোংনা থোক্লক্লি।

অতোপ্পগী অচুম-অরান, অশেং-অমাংনচিংবা য়েংদনা মশাখক্কী খনবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুগা (শা) মীশকশিং (লাক) অদুবু 'শা মাইলাক' (শা মরক) হায়রিবা অসিনি। অমুকসু অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুবু ঙাক্লিবা অদুগা (ঙাক) মাইওক্নরকপা (মাই) লম্বী অদুদা চৎলকপা মীশকশিং (লাক) অদুবুনা 'ঙাক মাইলাক' (ঙা মরক) হায়রিবা অসিনি।

''শা মাইলাক, ঙাক মাইলাক' (শা মরক, ঙা মরক) ওইবগী মহুত্তা অশেংবা থংওই (থম্মোয়) অমদি অচুম্বা ৱাখল অনীনা অমগা অমগা পান্নদুনা লৈরকপদগী অওইবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংনা কোকনুংদা লৈরকপদগী অদুগুম্বা কোক অদুগা তাইপক (তাইবঙ) শা হনচাং (হকচাং) ওইবশিংগা (শা) পান্নবা অদুবুনি (পান) মীওইবগী 'শাপান' (হ্যুমেন ফিজিক) হায়না কৌনগদৌরিবসি। অদুগুম্বা মীওইবগী শাপান ওইবশিংনা হায়বদি মীওইবা অমমমনা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপকী য়ূমথোঙ খুদিংদা য়ূমদুগী লুচিংবা/পিপা অমমম ওইনা খাংখিনপা (খাগেম্বা) কৌবা ঈনিংথৌ অদুগী লৈঙাক মতম অদু ফাওবদি হায়রিবা য়ূমথোঙ অমমম অদুবু ঙাক শেন্দুনা লাকচরমখিবনি হায়জনীংই। অদুম্না য়ূমথোঙ অমমম অদুবু মীওইবা অমমমনা পান্নদুনা অমদি ঙাক শেন্দুনা লৈনরিঙৈ মতম অদুগী ঈলৈপাক অসিবু ''মীওইবগী হৌরকফম'' হায়না ঈপা-ঈপুশিংনা শৈথারমখিবনি। লোয়ননা 'লৈলৈপাক'' (লাইলৈপাক) হায়না কৌনরমখিবনি।

'মী' হায়বা থাক অদুদা লৈরম্বদগী (মী) অচুম্বা অমদি অশেংবা অনীবু খঙলক্তুনা অমদি পাঙথোক্লক্তুনা অওইবা ৱাখল্লোনগা (ওই) পানরকপদগী (পা) অচুম্বা অমদি অশেংবা হায়বদি অওইবা থবক-থৌরমশিং পাঙথোকপা হৌরকপা ঙম্বা (হৌ) মীশিংনা লাক্লগা (লাক) খুন্দা-লৈতাদুনা লৈবা য়াবা মফম (ফম) অদুবুনি 'মীওইপাগী হৌলকফম' (মীওইবগী হৌরকফম) হায়না কৌনগদৌরিবসি। মথক্তা পঞ্জরিবা 'মীশিংনা লাক্লগা' হায়বসিনা খঙহনল্লিবদি ঈলৈপাক অসিগীঅৱাংবা চীংগী শরুক্তগী হৌরক্তুনা লাক্লগা খুদোংচাগদবা লৈতেম মান্নবা মফমশিংদা খুল শেম্লগা মীতৈ/মৈতৈশিংনা খুন্দা লৈতাবা অদুবু খঙনগনি। ঙসিগী মীরোল অসিদা উমং-ৱামং কোকথোক্লগা মহৌশাগী অরুম-অয়াং (খল) কায়হন্দুনা শেম্বা খুন্দা লৈতাবা মখল অদু নত্তে। 'মীওইপাগী হৌলাকফম' (মীওইবগী হৌরকফম) হায়বসিগী ৱাহন্থোক অসিনা ফোঙদোক্লিবদি-...

(মথং-মথং) ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।